## জুগেশ্বরনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ (ঐচএনএস): নোংচুপ হারম খোর্জে লূপ (নোহাখোল)গী লাইফ মেম্বর যুগেশ্বর ৰাইখ্বানা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না নোহাখোলগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. আই এস য়ুম্নামনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নোহাখোলগী লাইফ মেম্বর ওইরিবা যুগেশ্বর ৰাইখ্বা, থৌবালদা লৈবা অইবা অসিনা মনুং মতম চাদনা ঐখোয় খূদিংমকপু থাদোক্লল্লগা তাইবং মপুগী মফমদা চঙজখ্রে। মহাক্লা লৈখিদবা অসি কংলৈ খোরিরোলদা অচৌবা মাঙজবা অমনি। নোহাখোল্লোয় পুন্নমক্কা ওজাগী তাইবংদা লৈহৌরিবা ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি। থৌবালদগী অইবা যুগেশ্বর ৰাইখ্বা নোহাখোলগী লাইফ মেম্বর ওইনা লৈরম্বনি। অইবা অসিনা ঐখোয় খূদিংমকপু থাদোক্লগা চৎখিবসি য়াম্না চাউনা মাঙজবা অমনি। ওজা অসিনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি। ওজাগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লৈরুবা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## লোকদাউননা অৱা-চৈথেং নংলিবা পুরুম লিক্লি খুনদা তেংবাংখ্রে : পি পি সী এম

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ (ঐচএনএস): লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ুনা মরম ওইরগা অৱাবা নংলিবা পুরুম লিক্লি খুনদা চৎতুনা অৱা তেংবাংখ্রে হায়না প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন কম্মিটি মণিপুর (পি পি সী এম)গী পল্লিসিটি সব-কম্মিটিগী কনভিনর ইবেমচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা অৱাবা নংলিবা কয়া অসিদা চেকশিন থৌরাং ওইনা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু তৌখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা মীয়ামদা অৱা-চৈনা পীরে। মসিদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবা থৌদাং লৌবা ওইনা পি পি সী এমনা মতেং পাংবগী থবক চত্থরক্লি। ঙসিসু পুরুম লিক্লি খুনদা চৎতুনা অৱা তেংবাংখ্রে। ইম্ফালদগী কিলোমিটর ২৭ লোম চৎলগা সাইকুল কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈবা মফমসিদা পি পি সী এমনা তেংবাং পোৎলম পীখি। খুন অসিগী ভিলেজ কম্মিটি অমদি নিংথৌনা হরাওনা ওকপীরমখি। লমদমসিগী মীয়াম অমদি ফুরুপশিংনা সী এস ওশিংবু নুংশিবীবা অমদি থাজবা লৈরি হায়না পি পি সী এমগী কনভিনর জিতেন্দ্র নিঙোম্বদা থল্লকখি।

কনভিনরনা ফোঙদোকখিবদা, পুরুম লিক্লি অসি মণিপুরগী খ্বাইদগী লিরবা ফুরুপশিংগী মরক্তা অমদি খ্বাইদগী মীশিং য়ামজদবা ফুরুপ অমনি। মণিপুর লৈঙাক্লা শকখঙলবা ফুরুপনি। পুরুম খুলেন অমদি পুরুম খুনৌ হায়না খুন অনী লৈ। মীওই ৫০০ রোম লৈ। ফুরুপ অসিগী চৎনবী লিক্লম কয়া লৈরি। অচৌবা ফুরুপশিংনা ঙাকপী শেনবীবগী মিংদা অপীকপা ফুরুপশিংবু য়োৎশিন্নবা অমদি মুত্থৎনবা কৈদৌঙৈদা হোৎনরোইদবনি। পি পি সী এমনা মান্নবা, চাউখৎমিন্নবা অমদি ফংফম থোকপা রাইট চপ মান্ননা ফংমিন্নবগী ৰাখল্লোন্দা লৈ। ফুরুপ অসিগী ফংফম থোকপা পুন্নমক ফংহন্নবা অপাম্বা থবক লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা পায়খৎপীনবা ৰাফম থল্লি।

খুন অসিদা হেল্থ, এদ্যুকেসন, ঈশিং, ৰাটর ট্রান্সপোর্টনচিংবা অৱাৎ-অপা কয়া লৈরি। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লোকদাউন লাউথোকখিবা অসিদা খুনগী অৱাৎ-অপা কয়া লৈরি। লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎকদবনি। মীয়ামগী মীহুৎশিংনা অচান-মীরাই নাইবগী থৌ চত্থবগী মমি তাই হায়নসু মখা তাখি।

খোঙচৎ অদুদা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা লৈরিবা মরীদা অফবা মায়কৈদা পুরক্লবা হোৎনবগা লোয়নননা অচৌবা খোঙথাং অমা ওইরে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, মোইরাং লমখায় য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এসোসিএসন অসিগী মেম্বরশিংনা শীন্দুনা এসোসিএসনগী ফন্দ অমসুং খোইরু লৈকায়গী দোন্নরশিংনা পীরকপা শেনফমশিংনা খোইরু লৈকায়গী য়ুমথোঙ খূদিংদা চানবা পোৎলম য়েন্থোকখ্রে। মখা তানা অঙন্বা মতেং তৌখিগনি হায়রি।

## য়ু সী এম কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সনা শীন্দুনা তেংবাং পোৎলম য়েন্থোকপা থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ (ঐচএনএস): য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম) কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সনা শীন্দুনা ঙসি তাংখুল এভেন্যুদা লৈবা নিংতাঙাল হোটেল কেম্পসতা তেংবাং পোৎলম য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

য়ু সী এমগী আই পি আর সেক্রেটরি বি এম য়াইমা শাহনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অদুদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা চীংগী মফমশিংদগী লাক্তুনা নাগারাম, দ্যুলালেন্দে, চিংমৈরোংনচিংবদা অশানবা য়ুমদা লৈবা মহৈ তম্লিবা মহৈরোয় অমদি শিন্মী ৩০০ লোমদা নোংমগী হিংবদা চঙবা পোৎলমশিং মতেং পাংখি।

থৌরম অদুদা য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট সুনিল করামনা হায়খি, হন্দক মালেম পুম্বদা কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা লৈঙাক্লা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থমখ্রে। ময়ুমদা হনবা নংদনা অশানবা য়ুমদা লৈরিবা মহৈরোয়শিং, শিন্মীশিং লৈঙাক্লা পীরিবা পোৎলমশিং ফংদবগী অৱাবা লৈরিবশিংদা খরদা ওইরবসু কোক্লবা মতেং পাংবনি। লৈঙাক অমদি লূপ হায়বা লৈতনা কোভিদ-১৯ থেংনবদা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ক্রিপসা ৰিমেন ফুটবোল কেম্পকী শান্নরোয়শিংদসু রিলিফ মেটরিএল মতেং পাংখি হায়রি।

অমরোমদা, হেন্দিকেপ দিভলপমেন্ট ফাউন্দেসন মণিপুর অমদি পেরেন্টস এন্দ গাজিয়ান কাউন্সীল ফোর পার্সন ৰিথ দিসএবিলিটিজনা খুৎশম্নরগা হেন্দিকেপ ওইরবা অমদি শোত্থনা লৈরবা ইমুং খরদা নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা চেঙ, হৱাই, থাউ, আলু, সাপোন, থুম অমদি মাস্ক য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ডা. আর কে কুমারজিৎ, ষ্টেট কম্মিস্নার ফোর পার্সন ৰিথ দিসএবিলিটিজনা লুচিংদুনা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি। পোৎচৈ য়েন্থোকখিবা মফমশিং অদুদি, লাঙ্গোল, লমশাং, উরিপোক, পোরোম্পাৎ, কোংবা, লংথবাল, শামুরৌ, থৌবাল, খাঙবোক, হৈরোক, ৰাবচীং, শগুম্লুং, তেরা সাপম লৈরক অসিনচিংবনি হায়রি।

অমরোমদা, মালেম শিনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লোকদাউননা থবক শুফম নোম্ফম খঙদবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা সেকমাই এ সীগী মনুং চনবা সঞ্জেনবম খুন অমদি লমশাংগী য়ুমথোঙ ২০৩ দা সোসল য়ুথ ওর্গনাইজেসন সঞ্জেনবমনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

ওর্গনাইজেসন অসিগী প্রসিদেন্ট এন জি নিংথেমজাওনা ফোঙদোকখিবদা, থা ১ রোম চত্থরক্লিবা লোকদাউন অসিদা এ সী অসিগী এম এল এনা য়ুমথোঙ ৪০ রোমদা চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোক্লম্মী। মার্চথাদা নফসাগী মখাদা চেঙ কেজি ২০০০ য়েন্থোকখিবা অসি নত্তনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মীকোক ১০০০ গী মথক্তা খুন্দারিবা খুঙ্গং অসিদা অতোপ্পা তেংবাং পোৎলম অমত্তা পীরক্ত্রি। খুঙ্গং অসিগী মীয়াম্না অৱাবা মায়োক্লরিবা অসি উবীদুনা মীৎয়েং চঙবীয়ু।

অমরোমদা, সোসল ৰার্কর অয়াংবম ওকেননা মতেং পাংবীরকপা অসিগীদমক ওর্গনাইজেসনগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লি। য়েন্থোকখিবা তেংবাং পোৎলমশিং অদুদি, অচাথাউ, আলু, ঙারি, তিলহৌ অমদি য়ুমথোঙশিংদা চেঙ কেজি ৩/৩ য়াওরি হায়রি।

অমরোমদা, খুরাই এ সীগী মনুং চনবা ৰার্দ নম্বর ৮ গী য়ুনিটি ক্লব, কোংপাল কোংখাম লৈকায়না কোনবদা লৈবা মীয়ামদা সোসল ৰার্কর জয়ানন্দনা চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকখ্রে হায়না ক্লব অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি শান্তনুরনা ফোঙদোরক্লি।

শান্তনুরনা ফোঙদোকখিবদা, লোকদাউনগী অৱাবা অসি য়েংলগা ক্লব অসিগা খুৎশম্নরগা পোৎলমশিং য়েন্থোকপনি হায়রি।

## Important Phone Nos.

| | |
|---|---|
| RIMS | - 2414478 |
| J.N. Hospital | - 2450385 |
| DG Control | - 2450100 |

**FIRE SERVICE**

| | |
|---|---|
| Imphal | - 101 |
| Moirang | - 8415925197 |
| Churachandpur | - 8415925191 |
| Thoubal | - 8415925203 |
| Kakching | - 8415925194 |
| Jiribam | - 8415925193 |
| Mayang Imphal | - 8415925196 |
| Bishnupur | - 8415925190 |
| Moreh | - 8415925198 |
| Kangpokpi | - 8415925195 |
| Ukhrul | - 8415925205 |
| Senapati | - 8415925199 |
| Chandel | - 8415925192 |
| Singhat | - 8415925201 |
| Sugnu | - 8415925202 |
| Yairipok | - 8415925206 |

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 83.263490 |
| US Dollar | 76.564435 |
| British Pound | 95.776197 |
| Australian Dollar | 48.733300 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.827101 |
| Japanese Yen | 0.712084 |
| Malaysian Ringgit | 17.531598 |
| Singapore Dollar | 53.845228 |
| South Korean Won | 0.062949 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.417183 |
| Thai Baht | 2.354489 |
| Myanmar Kyat | 0.05389 |
| Bangladesh Taka | 0.90134 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 46068.00 |
| Mumbai | – | Rs | 46845.00 |
| Delhi | – | Rs | 46799.00 |
| Kolkata | – | Rs | 45449.00 |

## লোকদাউননা মরম ওইরগা মপান থোকপা য়াদবদগী অৱাবা মায়োক্লরিবা মীয়ামদা চান-থক্লবা পোৎলম কয়া য়েন্থোকপগী থবক মফম কয়াদা চত্থরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯গী চেকশিন থৌরাং ওইনা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু লৈখিবনা মরম ওইরগা অৱাবা তারবা মীয়ামদা চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকপগী থবক মফম কয়াদা চত্থনরি।

ৱাবগাই এ সীগী এম এল এ ফজুর রহিমনা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লোকদাউন থমখিবদগী অৱাবা মায়োক্লরিবা মহাক্কী এ সীগী মীয়ামদা অমদি মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

ৱাবগাই এ সীগী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ১৯ দগী ৩৬ ফাওবগী মীয়ামদা তেংবাং পীবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম এল এ ফজুর রহিমনা হায়খি, কোভিদ-১৯ থেংননবগীদমক লৈঙাক্লা লোকদাউন লাউথোক্তুনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি সপোর্ট তৌই। কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা লৈঙাক্লা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঐখোয় খূদিংমক্লা ঙাক্লা চৎমিন্নসি হায়নসু আপিল তৌখি।

অমরোমদা, হিয়াংলম এ সীগী য়ুমথোঙ খূদিংদা এ সী অসিগী এম এল এ, ৰাই রাধেশ্যামনা ঙরাং চান-থক্লবা পোৎলমশিং কোয়না চৎতুনা য়েন্থোকখ্রে।

এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি অসিগী য়ুমথোঙ ৯৯৪৯দা কোয়না চৎতুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাং পীবা অদুগা মরী লৈননা এম এল এ, ৰাই রাধেশ্যামনা হায়খি, তেংবাং পোৎলমশিং অসি মহাক্কী মায়কৈদগী অনীরকশুবা ওইনা এ সীগী মীয়ামদা য়েন্থোকপনি। অহানবা য়েনখিবা অদু এ সী অসিগী মনুংদা খরা হেন্না ফীভম শোক্লবা খনগৎলগা য়ুমথোঙ ৪৫০০ দা য়েন্থোকখি। অদুবু এ সী অসিগী লৈত-লায়র হায়বা থিদনা য়ুমথোঙ খূদিংদা য়েন্থোকপনি। এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি অসিগী চেঙসু য়েনবা হৌনবা থৌরাং তৌরি হায়খি।

অমরোমদা, ৱাবগাই এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈরিবা হয়েং হঙ্গুন গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এম দি সিকন্দর এলিয়স অচৌ অমদি মেম্বরশিংনা অঙম-অঙম্বা শেনফম পুথোক্লদুনা জি পি অসিনা কোনবা মফমশিংদা লৈবা য়ুমথোঙ ১৩৫০ দা চেঙ কেজি ৩ য়াওনা চানবা থুম, থাউ অমদি আলু কোয়না চৎতুনা তেংবাং পীখ্রে।

কৈরক ৱাবগাই জিলা পরিষদ ময়েংবম জয়ন্তা, কৈরক জি পিগী প্রধান এলাংবম শান্তি অমসুং মেম্বরশিংগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ রিলিফ কম্মিটিগা পুন্না খুৎশম্নদুনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী কৈরক অমসুং ৱাবগাইগী খুল অনী অসিগী য়ুমথোঙ ৩৫০০ দা থুম অমসুং অচাথাউ য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিস হাউসিং কো-ওপরেসনদা একজিক্যুটিব ইঞ্জিনিয়র ওইরিবা য়েংখোম নিলচন্দ্র, ককচিং পাজি লৈকাই, লাইশঙবম পরেংদা লৈবা মীওই অসিনা মশাগী থা অমগী তোলোপকী শেনফম কথোক্তুনা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মনুংদা লৈবা ৰার্দ নম্বর ১২ অমসুং ককচিং এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুংদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা খুনশিংদা লৈবা খরা হেন্না শোত্থরবা অপুনবা ইমুং ৯০০ রোমদা চান-থক্লবা তেংবাং পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

তেংবাং পোৎলম য়েন্থোকপগা মরী লৈননা ৰাই নিলচন্দ্রনা হায়, লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ থেংননবা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিনা অৱাবা তারবা ইমুংশিংদা মহাক্কী থা অমগী তোলোপ কথোক্তুনা খরা হেন্না লৈতা লাইরবশিংদা তেংবাং পোৎলম অসি পীবনি হায়খি।

অমরোমদা, ইবুধৌ পুথিবা কম্মিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি লিলোং চজিং মাইরেনখোং লৈকায়গী ইবুধৌ পুথিবা কম্মিটিনা শীন্দুনা লৈকায়গী মীয়ামদা অচা-অথক য়েন্থোকখ্রে। কোভিদ-১৯না অৱাবা থেংনরিবা অসিদা খরদা ওইরবসু মতেং পাংনবা য়েন্থোকপনি হায়রি।

মরকসিদা, রিলিফ সেন্টর ফোর ৰেলফ্যের ওফ দিফরেন্টলি এবল্দ পার্সনগী পি আর ও, পি সনাতোম্বনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, রিলিফ সেন্টরনা ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন অমদি মীওই কয়াগা খুৎশম্নদুনা পার্সন ৰিক দিসএবিলিটিশিংদা তেংবাং পোৎলমশিং য়েন্থোকখি। কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লবা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু চলাইখিবদগী অৱাবা মায়োক্লরবা পার্সন ৰিক দিসএবিলিটিশিংদা চান-থক্লবা তেংবাং পোৎলম য়েন্থোকখিবনি হায়রি।

## শক্লাইরবী অইবী ডা. যামিনিদা এৱার্দ পীরগনি : থৌপাং লূপ




ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ (ঐচএনএস): মণিপুরগী মমিং লৈরবী অইবী, এদ্যুকেনিষ্ট, কলচরেল এক্টিভিষ্ট ডা. চোংথাম যামিনিদা হৈস্নাম বসন্তকুমার এৱার্দ পীরগনি হায়না সাহিত্য থৌপাং লূপকী সেক্রেটরি এম উত্তমকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, চহী খূদিংগী ওইনা এপ্রিল ২৩ বু ৱর্ল্ড বুক দে হায়না য়ুনেস্কোনা থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা সাহিত্য থৌপাং লূপনসু নুমীৎ অসিবু থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। নুমীৎ অসিদা থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা চহী খূদিংগী হৈস্নাম বসন্তকুমার এৱার্দসু পীদুনা লাক্লি। চৎলিবা চহী ২০২০ গী ওইনসু মণিপুরগী মমিং লৈরবী অইবী এদ্যুকেনিষ্ট, কলচরেল এক্টিভিষ্ট ডা. চোংথাম যামিনিদা হৈস্নাম বসন্তকুমার এৱার্দ পীরগনি। ঙসি ফাওবদা ডা. যামিনিনা হীরম কয়াদা মাঙজিল থানা শরুক য়ারি। মণিপুরদা এদ্যুকেসন অমদি লাইরিক্কী লমদা প্রমোসন তৌনবা হোৎনরিবা পুন্নমকপু শকখঙবা ওইনা এৱার্দ অসি পীগদবনি। এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, সাইটেসন, ইনফি য়াওগনি। এৱার্দ অসি হৌজিক মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ থেংনরিবা অসিনা মরম ওইরগা অৱাবা ফীভম অসি লোইরবা মতুংদা লান্থোক্কনি। চহী খূদিংগী সাহিত্য থৌপাং লূপনা ৱর্ল্ড বুক দে পাঙথোরক্লি।

## লৈঙাক্লা অমদি মায়কৈ কয়াদগী মতেং পাংবদা ফংদ্রিবা অশানবা য়ুমদা লৈবা মীওইশিংদা চেঙগী মতেং পাংবা হৌরে : অমুকো

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু চত্থিবদগী অৱাবা মায়োক্লরিবা মীয়ামদা লৈঙাক্লা অমদি মায়কৈ কয়াদগী মতেং পাংবদা মতেং অমত্তা ফংদ্রিবা অশানবা য়ুমদা লৈবা মীওইশিংদা চেঙগী মতেং পাংবা হৌখ্রে হায়না ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি থম্বৌনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, অশানবা য়ুমদা লৈবা মীওই লিশিং ১ গী মথক্তা অমুকোনা চেঙ মতেং পাংবগী থবক পায়খৎপদা ক্লব অমদি মৈরা পায়বী লূপ কয়া খুৎশম্নরি। ইম্ফাল এরিয়া অমদি অতৈ মফমশিংগী অশানবা য়ুমদা লৈবা মশিং য়াম্বনা লোয়নমক কভর তৌবা ঙম্লোই। রিলিফ মেটরিএল ফংদ্রিবা, খরা হেন্না ৱাবশিং ফংহন্নবা হোৎনগনি। অথুবদা পায়খৎপা ঙম্নবগীদমক ক্লব কয়াদগী অশানবা য়ুমদা লৈবশিংগী দেটা লৌবনি। কর্ফিয়ুনা মরম ওইরগা চীঙাক্কী অৱাবা মায়োক্লরকপনা চেঙ খরসিনা অৱাবা কোকহনবা ঙম্লোই। লোয়নমক য়ৌহনবা ঙমদ্রবসু অৱাবা মীওইশিং য়ৌহন্নবা হোৎনগনি।

ইম্ফাল এরিয়াদা অশানবা য়ুমদা লৈবা মীগী মশিং য়াম্বনা অমুকোনা পাংলিবা চেঙগী মতেং অসিনা মপুং ফাবা ওইরোই। লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু শাংনা অৱাবা মায়োক্লরক্লিবা অশানবা য়ুমদা লৈবা মীওইশিং অসি পুকচেল চাউবা মীওই কয়ানা মতেং পাংবীয়ু। এম এল এ, মিনিষ্টরশিং খুন-খুনদা পোৎলম য়েন্থোকপদা অশানবা য়ুমদা লৈবা মীওইশিংসু পীবীয়ু। অতেনবা মতমগী মনুংদা অশানবা য়ুমদা লৈবা মীওই লিশিং ১০ গী মথক্তা অমুকোনা চেঙগী মতেং ফংহন্নবগীদমক চত্থরক্লি। থবক অসিদা মতেং পাংলিবা খূদিংমকপু অমুকোগী মায়কৈদগী থাগৎলি। মখা তানা চত্থরক্কদবা অসিদসু মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু। অশানবা য়ুমদা লৈবা মী খূদিংমক লোইনা পীবা ঙম্লোইদবনা খরা হেন্না ৱাবশিংদা ফংহন্নবা হোৎনগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ত্রিপুরাগী মহৈরোয়শিংদা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ (ঐচএনএস): মণিপুর দান্স একাদেমি অমদি অতৈ মহৈশঙ কয়াদা পুং, ঈশৈ, শগোয় তমদুনা ইম্ফালদা হৌজিক লৈরিবা ত্রিপুরাগী মহৈরোয়শিংদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যামনা লুপা ২০০০/২০০০ পীবগা লোয়ননা চানা থক্লবা পোৎলম কয়াসু মতেং পাঙখ্রে।

মণিপুরী লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফোরম ত্রিপুরানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মিনিষ্টরনা মহাক্কী পি এ থারগা ৰাংখৈ থাংজম লৈকায় মৈতৈ ময়েক স্কুল মনাক্তা অশানবা য়ুমদা লৈরিবা মহৈরোয়শিং অসিদা পোৎলমশিং অদু খুৎশিন্নখিবনি। কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা অৱাবা মায়োক্লরিবা মহৈরোয়শিং অসিদা তেংবাং পোৎলমশিং অদু পীবিরকখিবনি।

লোকদাউন অসিদা ত্রিপুরাদগী মণিপুরদা পুং, ঈশৈ, জগোয় তমদুনা লৈরিবা মহৈরোয়শিং শেল-থুম অমদি চানা থক্লবগী অৱাবা মায়োক্লরি। মণিপুর লৈঙাক অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনসু অঙন্বা মতেং পাঙবীয়ু। হৌজিক ফাওবদা মিনিষ্টর রাধেশ্যাম অমদি মীওই কয়ানা মতেং পাঙলকখ্রে। পলেম পন্থৌ ট্রষ্ট, অমুকো, অমসু, হিংমিন্নসি ঐখোয়, লিগেল এদ ক্লিনিক, শ্যামচান্দ, থোকচোম সুধির, গীতারানি য়ুম্নাম, নিংথৌজা মেন্মা, প্রোফেসর শান্তিবালা, সলামনচিংবনা চানা থক্লবা পোৎলম মতেং পাঙলকখ্রে।

লোকদাউননা মরম ওইরগা চত্থোক চৎশিন য়াদবনা অৱাবা ফিভমদা লৈরিবা মহৈরোয়শিং অসিগী মনুংদা ফোরমগী আর্টিষ্ট অমদি মেম্বর ৪ য়াওরি। মখোয় খোঙজোম পর্ব অমদি বাসোপ, পুঙ য়ৈবনচিংবা তম্বনি হায়রি।

অমরোমদা, সেবা ভারতি মণিপুরনা য়ুমকোক ৩০০৯দা নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলম মতেং পীখ্রে হায়রি। অহানবা ফেজকী ওইনা বিষ্ণুপুর, সেনাপতি, থৌবাল, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্টতা লৈবা কনা লৈজদ্রবা ইমুংশিংদা চেঙ, অলু, হৱাই, তিলহৌ, থুমনচিংবা পোৎলমশিং পীখি হায়রি।

## কন্দেম তৌই : এম এম দব্লিয়ু ও

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ (ঐচএনএস): হট্টা মনা ইংখোলদা লৈবা মীওই অমনা মচানুপী ময়ুম পানখিবদা তাবদা নুংঙাইতবা ৱাহৈ-ৱাতা কয়া শীজিন্নখিবদু মমা-মপা ওইবশিংদা অমুবা তৈশিনবনি হায়না লৌবগা লোয়ননা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না মণিপুর মুস্লিম ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও)গী কনভিনর এম কে সোফিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মপুং মরৈ ফারবা নুপী অমনা মশাগী পুন্সি খোঙলোয় খনবদা লৈবাক অসিগী লোনসু অয়াবা পীরিবনি। মচানুপীদা পেন্দবা কয়া লৈরম্বা য়াই। অদুবু চাইরেল চফু কায়নবা য়ৈদে হায়বসি খঙদবা মমা-মপা অনীদি মমা-মপা ওইবগী রাইট লৈত্রে হায়না হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## তোংব্রম বীরেন্দ্রনা...

*লামায় ১গী মখা...*২০১৯ ইন ঠিএটরগী এৱার্দী অমসুনি। ঠিএটর মিররনা পীবা দ বেষ্ট পর্ফোর্মিং দিরেক্টর ২০০৪ এৱার্দসু মহাক্কী *ৱাশক*কৌবা প্লেদা ফংখি। মহাক্লা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অসি ঐখোয় পুন্নমক্কী মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা মাঙজবা অমনি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা পোত্থাজনবা নীজবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## GAS NEWS

**PHAYENG INDANE GRAMIN VITRAK**
Booking Upto: 21/01/2020
Valid From: 15/01/2020
***Stk: 306***
Timing: 08.00 am-10.00 am
**Home Delivery Contact Nos.**
7640864293/8732844643/8787593212

**TANGLEI GAS OINAM**
Booking Upto: 31/01/2020
Valid From: 29/01/2020
***Stk: 306***
Timing: 07.00 am-10.00 am
**Home Delivery Contact No.**
8729808192

**KHORIPHABA LPG SERVICE**
**Sl. No. Upto 67983**
Booking Upto: 16/01/2020
Valid From: 15/01/2020
Home Delivery Only
**Contact Nos.**
9862441147/7085560134

**KHUMBONG INDANE**
Booking Upto: 11/02/2020
**Home Delivery Contact No.**
7005771527/9774679422
Timing: 07.30 am-10.30 am

**MAHALAKSMI INDANE**
Booking Upto: 20/02/2020
Valid From: 02/02/2020
Only Home Delivery
***Contact Timing:***
10.00 am-12.00noon
**Contact Nos.**
9862312969/8414929709

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking Upto: 05/02/2020
Valid From: 18/01/2020
Home Delivery Only
**Contact Nos.**
8730954041/7005728461/8259969582
**Contact Timing:**
07.30 am -10.30 am

**MISAO GAS SERVICE**
Booking Upto: 22/02/2020
Valid From: 06/02/2020
Home Delivery only
**For Delivery Service Please Contact**
7085738631/8119967523
Timing: 08.00 am - 04.00 pm

**RBD INDANE GAS**
Booking Upto: 08/02/2020
Valid From: 17/01/2020
***Stk: 253***
All Customers are Home Delivery
**Working hours:** Timing:07.30 am-12.00 noon
**Contact No.** for Refill order & Enquiry only
7629947172
**Contact No**.for Booking only-7629947182

**HIYANGTHANG INDANE**
**Sl. No.: 141 – 270**
Booking Upto: 18/01/2020
**Home Delivery Nos.**
7085557686/6009260971

## ইপসানা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পিদা হেন্দ সেনিটাইজর, মাস্ক, হেন্দ গ্লোভ খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ (ঐচএনএস): পুলিস অমদি ভি দি এফশিংনা শীজিন্ননবগীদমক ইন্টরনেসনল পিছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট (ইপসা)গী মায়কৈদগী ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পিদা হেন্দ সেনিটাইজর, হেন্দ গ্লোভ অমদি মাস্কনচিংবা খুৎশিন্নখ্রে।

খুৎশিন্নখিবা অদুদা ইপসাগী প্রসিদেন্ট জয় কোন্থৌজমনা হায়খি, মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসি থিংনবা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা পুলিসশিং অমদি ভি দি এফশিংনা অহিং-নুংথিল তুম্বা চাবা খঙদনা হোৎনরি। মসিদা ইপসানা অঙন্বা মতেং পাংবা ওইনা পোৎলমশিং অসি খুৎশিন্নবনি। লায়না-লাইচৎ অসিদগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপদা অঙন্বা মতেং পাংবনি। লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থবকশিং অসিদা ফ্রন্ট লাইনদা থবক তৌরিবা মীওই খূদিংমক্তা হেন্দ সেনিটাইজর, হেন্দ গ্লোভ অমদি মাস্ক হায়বসি য়াম্না মরুওই। হিদাক-লাংথকনচিংবসু ৱাৎতনবা লৈঙাক্লা হোৎনবীয়ু।

কোভিদ-১৯ থেংনবদা সী এস ওশিংগী থৌদাং য়াম্না চাউই। সী এস ও চঙবা মরম্না থবক খূদিংমক্তা শরুক য়াগনি। মথৌ তারক্লবদি ইপসাগী মেম্বরশিংসু শরুক য়াগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মথৌ তৌরিবা পুলিস পর্সনেলশিং, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী মফম কয়াদা চৎতুনা শগোলবন্দ তেরা অমুদোন অখাম লৈকায়দগী অরিবম মুহিন্দ্রোনা হাল্ফ লিটরগী ঈশিং পেকেট অমগা লুপা ৫০০/৫০০ গা য়েনখ্রে। য়েনখিবা মফমশিং অদুদি, সগোলবন্দ ৱাহেংবম লৈকায়, কৈশাম্পাৎ, ক্বাকৈথেল, পিশুমথোং, শিংজমৈ, কোংবা রোদ, সঞ্জেন্থোং, মিনুথোং, বি ও সী, উরিপোকনচিংবা মফমশিংনি। মোবাইল ওইনা জিপসিদা দ্যুটি তৌবা পুলিস পর্সনেল কয়াদসু পোৎলমশিং অসি য়েনখি। ঙসি অয়ুক পুং ৭ তাবদগী হৌনা য়েন্থোকপা হৌখি। কোভিদ-১৯না অৱাবা তারবা মতম অসিদা লোকদাউন লাউথোক্তুনা মী খূদিংমক য়ুম-য়ুমদগী মপান থোক্তনবা লৈঙাক্লা মীয়ামদা আপিল তৌরি। লোকদাউন থুগায়দুনা থোরকপশিং করম্না থোরকপনো হায়না নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা নোংজু-নুংশা খায়দনা লন্বীদা দ্যুটি তৌরিবা পুলিস পর্সনেলশিংদা মতেং পাংবনি হায়নসু মখা তারি।

## ‘লৈঙাক্লা য়েংশিনবীয়ু’

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ (ঐন এন এস): চয়োল অমগী মমাঙদা লোকদাউন মনুংগী মী মপান থোকপা য়াদবদগী মী লৈত্রিঙৈগী খুদোংচাবা লৌরগা খোয়াথোংদা দুকান অনী ফক্কায়রগা পোৎচৈ হুরানখ্রবা মতুং নাগামপাল চৎখিবগী কোর্নর ময়াদা লৈবা দুকান অহুমসু ফক্কায়দুনা পোৎচৈ গ্যাস সিলিন্দরনচিংবা পুখ্রে। মসিদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না ফোঙদোক্লরক্লি।

## নন-ইসেন্সিএল আইটেমশিং য়োনবা...

*লামায় ১গী মখা...* ২০দগী ঈ-কম্মর্স প্লেটফোর্মদা ফংহল্লগনি হায়না লাউথোক্লুবদগী কম্পেনি খরনা ওনলাইনদা ওর্দর লৌবা লৈখ্রবনি। ঙসি থোকখিবা এম ঐচ এগী ওর্দর মতুং ইন্না ওনলাইনদা মখল অমত্তগী পোৎলমশিং য়োনবা য়াখিরোই হায়রি।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা মার্চ ২৪দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা মার্চ ২৫দগী নুমিৎ ২১নি চুপ্পা লোকদাউন তৌরগনি হায়না লাউথোকখি। অদুবু কোরোনাভাইরসকী কেস মশিং হেনগৎলকপা মরম্না মে ৩ ফাওবা লোকদাউন শাংদোক্লবা ফিরেপ লৌখি।

## কোভিদ-১৯ শন্দোরকপগী মতাংদা...

*লামায় ১গী মখা...* য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লি। দল্লীয়ু এম এ য়ুনাইটেদ ষ্টেটস চেপ্টরনা খ্বাইদগী ইহান হান্না ত্রম্পকী ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। দি লেনসেট মেদিকেল জর্নেলগী এডিটর ইন চীফ রিচার্দ হোর্টননসু দল্লীয়ু ঐচ ওদা ফন্দ থাদবা লেপ্পা হায়বসি মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা চত্থবা ক্রাইমনি হায়না ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা টাইৱাননা কোভিদ-১৯ শন্দোরকপগী খুদোংচাবা লৌরগা নীংতম্বা ফংনবা থৌরাং লৌখৎলে হায়না চাইনানা মরাল শীখ্রে।

## পেন্সনগী শেনফম ককথবা তৌরোই...

*লামায় ১গী মখা...*দিপার্টমেন্ট ওফ পেন্সন্স এন্দ পেন্সনর ৱেলফেয়র (দি পি পি দব্লীয়ু)না হায়খি মদুদি, কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকখ্রবা মতুংদা মীওই খরনা অরানবা ৱাফম শন্দোক্তুনা মীয়ামদা চম্মনবা পোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপা থেংনরে। মীয়াম্না তোকঙাদা থাজবা থল্লোইদবনি। হৌজিকমক্কী ওইনা পেন্সনগী শেনফম হস্থনবা ৱারেপ লৌবা লৈত্রি।

পনবা য়াবদি, লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা হৌজিক সেন্ট্রেল গর্ভর্নমেন্ট পেন্সনর লাখ ৬৫.২৬ লৈরিবনি।

## কোভিদ-১৯না কাংলুপ, লাইনিংগী খেন্নবা...

*লামায় ১গী মখা...* পাউচেদা এদভর্টিজমেন্ট ফোংলকপদগী পুলিসনা কেস লৌখৎখ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

দিল্লিগী নিজামুদ্দিনদা মুস্লিম খরনা লাইনিং লাইশোনগী ওইবা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রবা মতুংদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং কা হেন্না ৱাংখৎলকপগী ইস্লাম লাইনিং চৎপা মীওইশিংবু মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখি। হিরম অসিগী মতাংদা মুস্লিমশিংগী লুপ অমনা মিদিয়াদা কাংলুপ নাইবা ৱাফম ফোঙদোকপা লেপহনবীয়ু হায়না সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎখি।

চৈরকসিদা, য়ুনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হায়খ্রে মদুদি, কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা থৌরাং লৌখৎলিবসি মীৎনা উবা ফংদবা লানফম অমা লান্থেংনবগা চপ মান্নে। মালেমগী মফম অয়াম্বদা মীওই কয়া শীহনখ্রবা লায়না লাইচৎ অসি মপুং ফানা লাকশিন্নবগী পান্দমদা ইন্দিয়ন আর্মি, নেভি অমসুং এয়রফোর্সকী পার্সনেলশিং তোঙান-তোঙানবা থবক থৌরমশিংদা শীজিন্নবা হৌরগনি হায়নসু দিফেন্স মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

## কোরোনাভাইরস : ইন্দিয়াদা শিখিবা...

*লামায় ১গী মখা...* হন্দক্তা মোরাদবাদকী মফম অমদা চিংনবা মীওই অনীগী সেম্পল লৌবা চৎলুবা দোক্তর অমদি মেদিকেল ষ্টাফকী টিম অমদা মীয়াম চঙদুনা এটেক তৌবগী থৌদোক থোকখি। দিল্লিগী সফদরজং হোস্পিটালদসু নুপী রেসিদেন্ট দোক্তর অনীদা মীওই অমনা ফুৎবগী থৌদোক থোকখি।

থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস অমদি সফদরজং রেসিদেন্ট দোক্তরর্স এসোসিএসননা অনা লায়েংগী শিনফমদা লৈরিবা মীওইশিং খুদোংথিবা মায়োক্লহন্দনবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়না মরী লৈনবশিংদা তকশিনখি। অসিগুম্বা থৌদোক কয়া তোইনা থোরকখ্রবা মতুংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যের্সনা ঙসি চেরোল অমা থোক্তুনা হায়খি মদুদি, দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা রুরেল এরিয়াদা পুলিস, পঞ্চয়ট অমদি রেভিন্যু ওফিসলশিংগী মতেং লৌরগা লোকদাউন অমসুং সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাংলোন নীংথিনা ঙাকহনগদবনি। মথৌ পাঙথোক্লিবা মেদিকেল টিমশিংসু খুদোংথিবা মায়োক্লহল্লোইদবনি।

## সী এম : করম করম্বা হিরমদা লোকদাউন...

*লামায় ১গী মখা...* শেলগী তেংবাং ওইনা লুপা ২০০০/২০০০ পীখ্রে। https://www.tengbang.in/ দা রেজিষ্টর তৌরকপা মীওই ১৬,১৭২গী মনুংদা মীওই ১২,৫৬১গী বেঙ্ক একাউন্টতা শেনফম অদু হাপচিনখিবনি। অথুবা মতমদা অতৈ লেমহৌরিবা মীওইশিংদসু শেলগী তেংবাং পীরগনি।

হৌজিক হৌজিক মপানদা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরীশিংদা লৈঙাক্লা অঙন্বা থাক্তা মতেং পাংনবা হোৎনরি। তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টর, চীফ সেক্রেটরী অমদি দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি)শিংগা পাউ ফাউনদুনা মণিপুরীশিংগী অৱাৎ অপা য়েংশিনবীনবা হায়জখ্রে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা থৌরাং লৌখৎপদা মপুং ফানা মতেং পাঙলকপগীদমক মীয়াম্বু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্লা হায়খি, কোভিদ-১৯গা লান্থেংনবদা মাংজিল থানা মথৌ পাঙথোক্লিবা দোক্তর, নর্স, পেরামেদিকেল ষ্টাফ অমদি অতৈ মীওই পুন্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। মণিপুরগী অনীশুবা কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট অদু তপ্পা তপ্পা ফিভম ফগৎলকপগা লোয়ননা টেষ্ট তৌবদা নেগেটিব ওইরল্লে। ঙসি অমুক হন্না টেষ্ট তৌবদা নেগেটিব ওইরল্লবদি মণিপুরদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিগী কেস অমত্তা লৈররোই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

কন্ট্রোল রুম লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদুদা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্ব্লীগী দেপ্যুতি স্পিকর কে রোবিন্দ্রো; সেকমাই এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ, ঐচ দিঙ্গো; য়াইস্কুল এ সীগী এম এল এ, টি ঐচ শত্যাব্রতা; এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরী ডা. রাজেস কুমার; ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুতি কম্মিস্নারশিং; তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং অমদি চেম্বর ওফ কম্মর্সকী মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি।